# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লালহৌবা অনি য়াওনা খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) লৈবাক অসিগী মীকোক থিবা (সেসন্স) ২০২৭ কী অহানবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়া লৈবাকশিংদা চরাংনবা ফিভম লৈরিবা অসিগী চৈথেং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ফংহন্দনবা সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

-----

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চনা ময়াই লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী কে.সি.পি (অপুনবা)গী মীওই অমা ফাগৎখি। মখা তানা জিলা অসিমক্কী পুদোংবম মখা লৈকাইদগী লালহৌলুপ অসিগী মীওই অমসু ফাখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী সাইভোম রিদচকী উমংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা নাইন এম.এম পিষ্টোল ৮, আই.ই.দি ১২, য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি।

ডে (এল)ঃ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমি, ইম্ফাল লিংখৎখিবগী ৭২ শুবা পালন থৌরম ঙসি একাদমি অসিগী ওদিয়তোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা একাদমি অসিগী মহৈরোইশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন, ফিসরিজগী দিরেক্তর টি. ফুলেন মীতৈ, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী সেক্রেতরি সুনন্দ থোকচোম শরুক য়াগনি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা শিংপা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাদসু ঙসি ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

সেন্সস ঃ লৈবাক অসিগী মীকোক থিবা (সেসন্স) ২০২৭ কী অহানবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরগনি। সেন্সস অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সেন্সস অমা ওইরগনি। অহানবগী ওইনা মীকোক থিবা দিজিতেলগী খুত্থাংদা চত্থগনি। সেল্ফ ইনুমরেসনগী খুদোংচাবসু পীগনি। সেল্ফ ইনুমরেসন অসি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগনি। অদুগা হাউস লিষ্টিং অমসুং হাউস সেন্সসনা থা অমা চুপা এপ্রিল ১৬ তগীনা মে ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসি অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎ, এন.দি.এম.সি মফমশিং অমসুং কন্টোনমেন্ট বোর্দ, গোৱা, করনাতক, লক্ষদ্বিপ, মিজোরম, উরিষা অমসুং সিক্কিমদা চত্থগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়া লৈবাকশিংদা চরাংনবা ফিভম লৈরিবা অসিগী চৈথেং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ফংহন্দনবা সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

ৱাফম অসি গুজরাতকী ভাব থারত জিলাগী নানিদা লুপা কোতি লিশিং ১৯ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনবা অমসুং খরগীনা শঙ্গারবা মতুং পাঙথোকখিবা মীয়ামগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঙরাং হৌদোকখিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা জিলা অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাবা হেন্না ফগৎহনবা অমসুং শেল থুমগী ফিভমদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। মহাকা হায়- গুজরাতকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা দিসাদা হাংদোক্লিবা এয়ার বেজ অসিনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঙরাং শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা কেন্দ্র সরকারগী ইনর্জি, রোডস, ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ অমসুং রেলৱেজগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১০,৯২১ অমসুং রাজ্য সরকারগী অরবান দিভলপমেন্ট, ৱাটর রিছোর্সেস, ৱাটর সপ্লাই, রোডস এন্দ হাউসিং, জি.আই.দি.সি, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার, তুরিজম এন্দ ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৮,৮৮৫ য়াওরি।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী বাস্তর দিভিজনদা মাওইষ্টকী মীওই ৩৩ ঙরাং সরকারদা চংজখ্রে। চংজরকখ্রবশিংগী মনুংদা মাওইষ্ট নুপী ১৭ য়াওরি।

বাস্তর দিভিজনগী বিজাপুর জিলাদা ঙরাং মাওইষ্টকী মীওই ২৫ সরকারদা চংজরকখি। মসিগী মথক্তা দান্তেৱারা জিলাদা মীওই ৫, কানকেরল জিলাদা ২ অমসুং নরায়নপুর জিলাদা মীওই ১ চংজরকখি। সরকারদা চংজরক্লবা মাওইষ্টকী পাউ মতুংইন্না সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চখবদা বিজাপুর জিলাদা মাওইষ্টশিংনা লোৎতুনা থম্লম্বা সনা কিলোগ্রাম ৭ লোম অমদি শেল ওইনা লুপা কোতি ৩ লোম ফাগৎপা ঙমখি। মসিনা হৌজিক ফাওবদা মাওইষ্টকী ওপরেসনদা খ্বাইদগী চাউনা পোৎলমশিং ফাগৎপা ওইরি। ফাগৎলবা সনা অমসুং শেলশিং অদু পুন্না লুপা কোতি ১৪ রোম ওইগনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলায় ৯৩ সু ফাগৎপা ঙমলে। মদুগী মনুংদা- এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল, লাইট মেছিনগনশিং অমসুং সেল্ফ লোদ্দিং রাইফল য়াওরি।

মরক অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা দান্তেৱারা জিলাগী তোঙান তোঙান মফমশিংদা লোৎলম্বা খুৎলায় ৪০ ফাগৎপা ঙমলে। অদুগা নরায়নপুর জিলাদগীসনা খুৎলায় ৫৯ ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্রগী গদাচিরোলি পুলিস ষ্টেসনদা নক্সলাইটকী মীওই ৯ লুপা লাখ ৩০ গা লোয়ননা সরকারদা চংজরকখ্রে। গদাচিরোলি পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট নিলোৎ পালনা হায়- ঙসি চংজরকখ্রবশিং অসি থারগা খুৎলায় পায়বা নক্সলাইটকী কাদর ৬ চাংজরক্কদবা ৱাৎলি।

সংসদ ঃ লোক সভাদা ঙসি ফোরেন কন্ত্রিব্যুসন (রিগুলেসন) এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৬ খন্ন-নৈনদ্না এক্তা ওন্থোকবা হোৎনগনি। মখা তানা জন বিশ্বাস (এমেন্দমেন্ট ওফ প্রোভিজন্স) বিল ২০২৬ সু সভাদা পুথোক্কুনা খন্ন-নৈনগনি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাদনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস (জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন) বিল ২০২৬ কী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। মখা তানা দ ইনসোলভেন্সি এন্দ বেঙ্করপসি কোদ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ সু সভাদা পুথোক্কনি।

টেক্স ঃ ঙসিদগী অনৌবা শেনবা চহি হৌবগা লোয়ননা ফাইনান্সিয়েল রুলস য়াওনা তোঙান তোঙানবা রিফোর্মস কয়া ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি। চহি ৬০ চৎনরম্বা অরিবা ইনকম টেক্স এক্ট ঙসি অনৌবা ইনকম টেক্স এক্ট ২০২৫ না মহুৎ শিল্লগনি। মসিনা টেক্স সিষ্টেমদা হেন্না লাইথোকহল্লগনি। রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা দিজিতেল পেমেন্ট ত্রান্সজেক্স দসু অহোংবা খরা লৈরগনি। পার্মেনেন্ট এক্কাউন্ট নম্বর, পান এপ্লাই তৌবা নত্রগা অপদেট তৌবদসু ঙসিদগী হৌনা শেমদোক্লুবা নিয়মশিং চৎনরগনি।

মেনিফেষ্টো ঃ লাক্লিবা অসাম বিধান সভাগী মীখলগী বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো ঙরাং গুৱাহাতিদা ফোংখ্রে। মেনিফেষ্টো অসি কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ফোংখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱাল অমসুং মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা শরুক য়াখি।

শুরক্সিতা অসোম, ভিক্সিতা অসোম হায়না মীংথোনবা মেনিফেষ্টো অদুদা দল অসিনা পায়খৎকদবা হিরম ৩১ য়াওরি। মসিগী মনুংদা ইন্মিগ্রেন্ট (এক্সপলসন) ফ্রোম অসাম এক্ট ১৯৫০ চৎনহনবা, নাগরিকশিংদা মশাগী লমগী হকশিং ফংহনবা য়াওনা সরকারগী থবক লাখ ২ পীবা অমদি আইট পে কম্মিসন চৎনহনবা য়াওরি।

হোক্কি ঃ ১৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব-জ্‌নিয়র ৱিমেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ ঙসিদগী ঝারখন্দগী রাঞ্চিদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ১২ ফাওবা চখগনি। মসিদা পুল মরি খায়দোক্তুনা টিম ১২ না শরুক য়ারি। মণিপুর হোক্কি পুল-সিগী কাংলুপ্তা য়াওরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হাইৱেশিংদা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ানবা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা থৌরাং কয়া য়াৎপা হৌখিবা, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ উন্ননবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ দিল্লিদা য়ৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা এম.এল.এশিংগা লোয়নরগা নেসনেল হাইৱেশিংদা চৎনবগী থৌরাং য়াৎপা হৌখ্রে, এপ্রিল মরিদা জিরিবামদা চৎলগা ইরাং নংলবশিংগা চাক্লেন চামিন্নগদৌরি হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগীনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা সেন্সস, মিনিষ্টর এক্সপানসনগী চরাংনরিঙৈ অমিত সাহনা সি.এম. দিল্লিদা কৌশিনখ্রে, মিনিষ্টর এক্সপানসন তৌদবনা লৈরিবা অৱাবশিং খন্নরবা য়াই হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরদা অনৌবা সি.ই.ও হাপ্পকপগী মায়োক্তা ইরাং হৌখ্রে, চুরাচান্দপুর টাউন হোলদা লৈবা এ.দি.সি ওফিস শকখঙদবশিংনা মাং

তাকহনখ্রে হায়বা পাউ, সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কামজোং হেদক্বাটরসতা টোটেল সটদাউন চখ্থি, আই.এমগী লুচিংবশিংগী য়ুম শাওনরবা মীয়ামা থুগাইখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিমসতা অহানবা এয়োর্তো-বাইলিয়াক বাস পাস সরজরি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.য়ুগী সেন্তিনারি হোল য়েংশিনবীনবা লৈত্রে, মওং তাদ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

সেন্সসকা মরী লৈননা মীয়াম অমদি সি.এস.ওশিংনা ৱারী শান্নশি, খন্নশি হায়বদা তরামা ওকই হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউনা কৈথেলগী মসজিদ রোদতা এনক্রোচরশিং তকখায়বা হৌরম্লগা লোইশিন্দবদগী অচৎ অওকশিংদি খুনু মখোঙ শম লৌরে হায়না পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল ইজ্‌কেসন সোসাইতি ফোর ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস (নেস) লিংখৎখিবা চহি ৮ মপুং ফারকপগী পালন থৌরম ঙসি নিউ দিল্লিগী ডাঃ অম্বেদকর ইন্তরনেসনেল সেন্তরদা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীতোপ খন্দোক্লিবা ফাওবা সেন্সসকী মতম য়েথোকপীনবা মণিপুরগী এম.পিনা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা তকশিনখিবগী পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লৈবাক অসিগী মীকোক থীবা সেন্সস ২০২৭ মণিপুরগী ওইনা ওগষ্ট ১৭ তগী হৌরগনি হায়বা পাউ হিরলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকীনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

-----